**23E—ADMA**

# 2023

# ADVANCE MANIPURI

*Full Marks* : 100

*Pass Marks* : 30

*Time* : 3 hours

*The figures in the margin indicate full marks for the questions*

## ALLOTMENT OF MARKS

| | |
|---|---|
| Q. No. **1** carries *1* mark each | 1×12 = 12 |
| Q. No. **2** carries *2* marks each | 2×5 = 10 |
| Q. No. **3** carries *2* marks each | 2×5 = 10 |
| Q. No. **4** carries *4* marks | = 4 |
| Q. No. **5** carries *6* marks | = 6 |
| Q. No. **6** carries *4* marks each | 4×4 = 16 |
| Q. No. **7** carries *6* marks | = 6 |
| Q. No. **8** carries *6* marks each | 6×2 = 12 |
| Q. No. **9** carries *2* marks each | 2×2 = 4 |
| Q. No. **10** carries *4* marks each | 4×5 = 20 |
| | Total = 100 |

**1.** য়াম্না তেন্না পাউখুম পীয়ু : 1×12=12

(ক) ‘‘মঙাং গুরু চাকৱাইরে
কোরৌ নোংদোন ঙাল্লকলো।’’

‘কোরৌ’ হায়বগী অর্থ করিনো ?

(খ) ‘নোংলাউ ঈশৈ’ হায়রিবা শৈরেং অসিগী অইবা কনানো ?

(গ) ‘নাউরৈখু কন্বী’ হায়বসি করিনো ?

(ঘ) ‘‘লাইজ ঈথাবী নঙ থাবিরক ও
লাইজ ঈখাইবা নঙ খইবিরক ও।’’

‘লাইজ’ হায়বগী অর্থ করিনো ?

(ঙ) ‘অয়াং লৈমা’ কনানো ?

(চ) ‘‘ফৈনা য়ুংনা চেঙ্ছরি
কিনরি মসিবু থেংলুদ্রা’’

‘ফৈনা য়ুংনা চেঙ্ছরি’ হায়বসিনা করি খংহল্লি ?

(ছ) ‘‘হে পাখংশা! বিজ্ঞান হৈরবা,
করিগীনো মন্ত্রবু থাজদ্রিবা ?’’

পল্লিবসি করম্বা মন্ত্রবুনো ?

(জ) ‘‘মশক খঙগে তান্দুনা মুনা মুনা য়েংলম্মী।’’

মুনা মুনা য়েংলিবসি করিবুনো ?

(ঝ) ‘‘য়াঙ্গোই থৌদুনা চেনখ্রবী
অমত্তা পোকপী থাদোই
অমুক মিত্তানা উররোই।’’

‘অমত্তা পোকপী থাদোই’ হায়রিবসি কনানো ?

(ঞ) ‘‘শুংমুৎ মুৎলু য়ারমদে হেল্লি থোইনা লংবনা’’

মুৎলু য়াদ্রিবসি করিনো ?

(ট) ‘‘লাউরক্পি তোর্ব্বানগী মীনা
করিনো অঙাউবা হোঞ্জিল্লু’’

‘অঙাউবা’ হায়রিবসি কনাবুনো ?

(ঠ) উপমা কদাইবু কৌবগে ?

**2.** তেন্না পাউখুম পীয়ু (**মঙাখক্কী**) : 2×5=10

(ক) ‘চীংঙু নঙবু য়াহৌরো’ হায়বসিনা করি খংহনবগে ?

(খ) ‘নোংলাউ ঈশৈ’ হায়বসি করিগীদমক্তা শক্লরম্বনো ?

(গ) ‘‘ময়িম পোইরৈ মৈতৈনা
ঈনুং ঙাল্লে খঙনৈয়ে’’

করম্বা চেক্লাগী খোঞ্জেন্দা পোইরৈশিংনা ঈনুংঙাল্লে খঙনবগে ?

(ঘ) ‘‘চকমোম খান্বী মৈত্রেং’রাবা
মৈশুৎ মৈবা মৈ’’

‘মৈবা’ হায়বগী অর্থ করিনো ?

(ঙ) ‘‘লৈরি নোংলী হৌরো
লৈখোঙ নোংখোঙ নেম্মো’’

মসিনা ফোঙদোক্লিবসি করিনো ?

(চ) ‘তাইবং খুল্লিং মৈ’ হায়বগী অর্থ করিনো ?

**3.** অতেনবা পাউখুম পীয়ু (**মঙাখক্কী**) : 2×5=10

(ক) ‘‘নিঙাই চাউর-চাউরগা নুংশিবনা,
‘নুংশি’ মখনগনি থোইনা হেন্না।’’

শৈরেং মতেক অসিনা ফোঙদোক্লিবসি করিনো?

(খ) ‘‘অৰাবা নুংঙাইবা ঈথক্তা
মীৰাগী নুংশিৎ মরক্তা’’

‘মীৰাগী নুংশিৎ মরক্তা’ হায়বসিনা করি খঙহল্লিবগে?

(গ) ‘‘মীওইপোক্কী লাইশিংগী অফথৌগী মণিনে
মাঙফদ্রবা ফম্বান্দা খিল্লম্লবা উরোংনে।’’

খিল্লম্লিবা উরোংসি করিনো? ‘মীওইপোক্কী লাইশিং’ হায়রিবসি কনাবুনো?

(ঘ) ‘‘খঙলে চেল্লা খঙজরে
প্রকৃতিনা থারকপনি নঙসে
তম্বীনবা বিশ্বপ্রেম।’’

করম্বা চেল্লানো পল্লিবসি? করিগীদমক্তা বিশ্বপ্রেম তম্বীনবা থারক্লি হায়রিবনো?

(ঙ) ‘‘কনবীয়ু ননাইগী হিদোম
হোঞ্জগে ঈপাক য়ৌনবা।’’

শৈরেং মতেক অসিনা ফোঙদোক্লিবদু ইয়ু।

(চ) ‘‘বিশ্ব তাইবংপানবনা কপ্পা কপ্পা লোইখিনি
নুঙদা ইবা ঐখোয়না নোক্লা নোক্লা লৈহৌনি।’’

করিগীদমক্তা নোক্লা নোক্লা লৈহৌগদৌরিবনো ইয়ু।

**4.** ‘নোংলাউ ঈশৈ’ *নত্রগা* ‘মৈ’ হায়বা শৈরেং অসিগী ৱা মচং ইয়ু। 4

**5.** মরী-মখোঙ তাক্লুনা শন্দোক্লা ইয়ু : 6

‘‘ঙরাং লাইরেন নোংজাদা
সনা লুকথোং হাদুনা
ঈনুং মঙচঙ তমখিবা
মঙতম মতম ওইরক্লে।’’

**6.** তেন্তক্লা পাউখুম পীয়ু (**মরিখক্তী**) : 4×4=16

(ক) ‘‘হে পাখংশা! বিজ্ঞান হৈরবা,
করিগীনো মন্ত্রবু থাজদ্রিবা?’’

‘পাখংশা’ হায়রিবসি কনাবুনো? শৈরেং মতেক অসিদা ফোঙদোক্লিবদু ইয়ু।

(খ) ‘‘হন্নমুক্তা য়েংদুনা ময়েক্তুনা লাউরকখি
খোঞ্জেন্দুনা হৌবনা ঈরাউখোনবু নমহৎখি’’

করম্বা ময়েক্লো পল্লিবসি? ‘ঈরাউখোন’ হায়বসিনা করিবু তাক্লিবগে?

(গ) ‘‘অৰাবা নুংঙাইবা ঈথক্তা
মীৰাগী নুংশিৎ মরক্তা
কনবীয়ু ননাইগী হিদোম
হোঞ্জগে ঈপাক য়ৌনবা।’’

‘অৰাবা নুংঙাইবা ঈথক’ হায়রিবসি করিবুনো? করিগীদমক্তা কনবীয়ু হায়রিবনো?

(ঘ) ‘‘শনরীক পরেং নুংশিবগী,
হুক্তোক্তুনা নুংশিবগী ঙকশমদগী,
য়েক্লবদা শিবিবা ঙল্লবা,
প্রেমিক কৌই নুপাদু অশেংবা।’’

কবিগী মত্তা কনাবু অশেংবা প্রেমিক কৌগদগে? শৈরেং মতেক অসিদা কবিনা ফোঙদোক্লিংলিবদু ইথোকউ।

(ঙ) ‘‘পুন্সিগী ঈচেন্দা হোল্লি
ঐহাক্কী পুন্সিগী হিদোম,
ফৈনা য়ুংনা চেহ্বরি,
কিনরি মসিবু থেংলুদ্রা’’

‘পুন্সিগী হিদোম’ হায়রিবসি করিনো ? শৈরেং মতেক অসিনা ফোংদোক্লিবদু ইয়ু।

**7.** ‘পুন্সি হিদোম’ *নত্রগা* ‘স্মৃতি’ হায়রিবা শৈরেং অদুগী ৱা মচং ইয়ু। 6

**8.** মরী-মখোঙ তাক্তুনা শন্দোক্লা ইয়ু (**অনীখক্কী**) : 6×2=12

(ক) ‘‘লাক্লে হোৎনৈ মুথৎকে ময়েকশিংনা তাবদো,
শুংমুৎ মুৎলু য়ারমদে হেল্লি থোইনা লংবনা।’’

(খ) ‘‘চৈ থাংলবসু নুংশিবা মীনা
হিদাক অখাবা চাবগুম্না,
হেন্না তেকখৎকনি নশাদু,
হেন্না নুংঙাইগনি পুক্লিংদু।’’

(গ) ‘‘লাউরক্লি তোৰ্বানগী মীনা
করিনো অঙাওবা হোঞ্জিল্লু,
তোৰ্বান তান্না পুশিল্লু
হৈতনা করিগী হোল্লিবা।’’

**9.** তেন্না পাউখুম পীয়ু : 2×2=4

(ক) বাক্য কদাইবু কৌবগে ? খুদম অমা পীয়ু।

(খ) রুপক কদাইবু কৌবগে ? খুদম অমা পীয়ু।

**10.** শল্লপ্না পাউখুম পীয়ু (**মণ্ডাখক্কী**) : 4×5=20

(ক) অনুপ্রাস কদাইবু কৌবগে? খুদম পীদুনা তাকউ।

(খ) নিশ্চয় কদাইবু কৌবগে? খুদম পীদুনা তাকউ।

(গ) করণমালা কদাইবু কৌবগে? খুদম পীদুনা তাকউ।

(ঘ) সন্দেহ অলঙ্কার কদাইবু কৌবগে? খুদম পীদুনা ইয়ু।

(ঙ) অপহ্নুতি কদাইবু কৌবগে? খুদম পীদুনা ইয়ু।

(চ) বক্রোক্তি করিনো? খুদম পীদুনা ইয়ু।

★★★